জে এন্দ কেদা লালহৌবা ৪ হাৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ২২ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এনকাউন্টর চখ্থদুনা লালহৌবা মরি হাৎখ্রে হায়না জে এন্দ কে পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রবা লালহৌবা মরি অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মখোয় সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মণিহল এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা হাৎখিবনি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা হান্নবা লৈরম্বা লালহৌবশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। পুং খরা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদু চথখি। খূৎ থোক্নরিঙৈ মরক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবশিং অদুবু সরেন্দর তৌনবা লাউখি। অদুবু লালহৌবশিং অদুনা য়াখিদে। নোংমৈ কাপ্লবগী থৌওং অদুদা লালহৌবা ৪ অদু শিখিবনি হায়রি।

চাদা ৭৪ গী চাংদা হেনগৎলগনি

ন্যু দেল্লী, মার্চ২২ (এজেন্সী) : ইন্সুরেন্স সেক্টরদা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট (এফ দি আই) গী চাং চাদা ৭৪ হেনগৎপদা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রে।

ইন্সুরেন্স সেক্টরদা এফ দি আইগী চাং অসি চাদা ৪৯ ওইরম্বনি। অদুবু ঙসি লোক সভাদা পাঙথোকখিবা ভোইজ ভোটতা চাদা ৭৪ গী চাংদা হেনগৎহনবা হায়বা ৱাফম অদু মায় পাকখি। মদুগী মতুং বিল অদু পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা বিল অসিনা ইন্সুরেন্স সেক্তরশিং অমদি ইন্সুররশিংদা চাওনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়রি।

য়ূমথোং খুদিংদা লেম্না চেঙ ফঙহনগনি হায়না বি জে পিনা লাউরিবদু ঙম্লোইদবা ৱাফমনি

কোটুলপুর, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী য়ূমথোং খুদিংদা লেম্না চেঙ ফঙহনগনি হায়না বি জে পিনা মীয়ামদা অরানবা ৱাশক শক্লিহায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবদা মখোয়না পাঙথোকপা ঙম্লোয়দবা অরানবা অমদি ওইদবদা য়ূম্ফম ওইবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশক্লি। বি জে পিনা মীয়ামদা পাঙথোকপা ঙম্লোয়দবা অরানবা ৱাশক কয়া শক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা তৃনামুলনা চাওনা মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরে।

বি জে পিনা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী হক মত্তুনা লাক্লি। বেঙ্গলগী মীয়াম্না বি জে পিগী থবক থৌওং হেন্না খঙলবনি। সেন্তরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী থাউ অমদি কুক্কিং গ্যাসকী মমল অঙকপা ফংনা তাঙখৎখ্রে।

বি জে পিনা লাইরবা মীওইশিংদা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। ইমুং খরদা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীখ্রবসু কুক্কিং গ্যাসকী মমল কা হেন্না তাঙখৎখিবনা মরম ওইরগা মদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। মরমদি লাইরবা মীওইশিংনা কুক্কিং গ্যাস লৈবা ঙম্লদ্রে।

লৌমীশিংগী ওইনসু বি জে পিনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অমদি মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগীদমক প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎখ্রে হায়না লাউরি। সেন্তরনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অদুনা লৈবাক অসিগী লৌমী কয়া য়াম্না কান্নবা পীখ্রবগে হায়বদু মীয়াম্না ৱাহং হংবগী মতম ওইরে।

হৌজিক হৌজিকসু লৌমীশিংগী অপাম্বা মায়োক্তা অনৌবা লো অহুম পাস তৌদুনা বি জে পিগা নক্লবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট খরদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরি। নৌনা পাস তৌখিবা লো অহুমগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী লৌমী কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লবসু বি জে পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিত শাহনা উশিন্নদনা লৈথোক্লি। মসিনা তাকপদি বি জে পি লৌমী মীয়ামগী য়েক্লবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিদা য়াওরিবা মেম্বর অয়াম্বা মী হাৎপা, নমদুনা শেল খোমগৎপা অমদি রেপ কেসতা চেন্নবা ঙাক্তনি। হায়রিবশিং অদুদা লৈঙাক পায়হল্লবদি শোয়দনা মীয়াম অৱাবা তাগনি হায়রি।

থাউ মমল হেনগৎপগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা সেন্তর হন্দুনা ঙাঙখ্রে

কোচি, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক্না থাউগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎহনখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মীয়াম খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা ইলেক্সনদা শেল থাদনবগীদমক হীরম কয়াদা অহেনবা টেক্স লৌদুনা মীয়াম্বু অমুক্কা হেন্না অৱাফমদা তাহন্নবা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা সেন্তরগী মথক্তা মরাল শীরক্লি।

কেরলাদা লৈবা সেন্ট টেরেসা কোলেজদা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগা ৱারী ৱাতাই শানবগী থৌরম অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেন্তরনা অহেনবা টেক্স কয়া মীয়ামদগী নম্ফুন্দা খোমগৎলগা মশাগী পোকেট মনি ওইনবা অমদি লৈঙাক চলায়নবা হোৎনরি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা অহেনবা শেল কয়া থাদরিবা অসি মীয়ামদগী নম হাদুনা খোমগৎখিবা ঙাক্তনি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অসিগুম্বা মশাগীতা ওইজবা থিবা লুচিংবশিং অমদি পার্টি অসিবু পরা তম্বীবগী মতম ওইরে। পার্টি অসিবু মীয়াম্না পরা তম্বীগে হায়রবদি হন্দক পাঙথোক্কদৌবিরা এসেমব্লি ইলেক্সন অসি খ্বাইদগী হেন্না মতম চারে।

নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা হৌদোকখিবা দিমোনিটোইজেসন অমদি জি এস টিনা ইকোনোমিগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা পীরি। অমরোমদা মালেমগী ওইনা ক্রুদ ওইলগী মমল তানা লৈরবসু লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা হেনগৎলক্লি। ষ্টেট ষ্টেটশিংনা মীয়ামগী খল্লগা ভেল্যু এদেদ টেক্স লৌবগী চাং হন্থরবদি থাউগী মমল খরা মখৈ হন্থহনবা ঙমগনি হায়না সেন্তরনা ফোঙদোক্লি। অদুবু পেট্রোল অমসুং দিজলদা অহেনবা টেক্স লৌরিবা অসি ষ্টেটনা নত্তে সেন্তরননি।

সেন্তরনা অহেনবা পৈশা তান্নবগীদমক ষ্টেট ষ্টেটশিংদা মরাল শীবগী থবক তোক্কদবনি অমদি মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা থাউগী মমল হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর টিরাট সিংহ রাৱট কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎনা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা এক্টিভ কেস মশীংসু হান্নাগা য়েংনরুবদা কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি।

মহারাষ্ট্র য়াওনা অতোপ্পা ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ থুনা য়াংনা শন্দোরকপদগী মীয়াম্না মীপায়নরিঙৈ মরক অসিদা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর টিরাট সিংহ রাৱটসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৫৬ রোম শুরবা বি জে পি লুচিংবা অসিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মহাক মশা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইরল্লে। মহাক হৌজিক সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

ডোক্তরশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না মহাক সেল্ফ আইসোলেসন তৌখিবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম নোর্মেল ওইরি অমদি মীয়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইদে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মহাক্কী লোয়নখিবা মীওইশিংনসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্তুনা চেকশিন থৌরাং পায়খৎনবা মিনিষ্টর অসিনা আপীল তৌরক্লি।

মহাক মশা পোজিটিভ ওইরল্লবসু মহাক্না লোয়নরম্বশিং পোজিটিভ ওইদনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ারিবা মখৈ মীয়াম পুনশিল্লগা হরাও কুম্হৈগী থবকশিং পাঙথোক্তনবসু আপীল তৌরক্লি।

মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগী পাউ অদু হেক তাবগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টিভেন্দ্র সিংহ রাৱটনা ফোঙদোরকখিবদা চীফ মিনিষ্টর টিরাট সিংহ অথুবা মতমদা মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ওইরসনু। মহাক্কী হকচাংগীদমক ঈশ্বরদা থৌনিজগনি অমদি হান্নগুম মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা অনীরকশুবা ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪৬,৯৫১ থেংনখি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা শন্দোরক্লিবা লায়না লায়চৎ অসি মখা তানা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লানশিল্লক্তনবা মরী লৈনবশিংনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতম ওইরে। মীয়াম্না চেকশিনবা ৱাৎপদগী অমদি লায়না অসিবু থওইরক্তবদগী অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌরক্লিবনি। মীয়াম্না মতেং পাংদনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কৈদৌনুংদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লোয় হায়না সেন্তরগী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ভোট থাদগদবা পুং ৭২ মমাংদা বাইক রেল্লি চৎপা অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা ভোট থাদগদবা পুং ৭২ ৱাৎলিঙৈ মমাংদা বাইক রেল্লি চৎপদা ইলেক্সন কম্মিসন্না অথিংবা থমখ্রে।

ইলেক্সন শান্তি ওইনা পাঙথোক্কবগীদমক বাইক রেল্লি চৎপদা ইলেক্সন কম্মিসন্না অথিংবা থমখিবনি। মোটোর বাইক তোংদুনা রেল্লি চৎপা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা থোকখিবগী পাউ লৈরে। মরম অদুনা তঙাইফদনা বাইক রেল্লি অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরলা, টামিল নাদু, অসাম অমসুং পুদুচেরিদা থা অসিগী অরোয়বদগী হৌরগা ইলেক্সন পাঙথোকপা হৌগদৌরি। ষ্টেটশিং অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভোট থাদবগী থবক্তা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক থোকহল্লক্তনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসরদা খঙহনখ্রে।

ভোট থাদগদবা নোংমা নৎত্রগা নীনি ৱাৎলিঙৈদা বাইক তোংবা মীওইশিংনা এন্তি সোসল ইলিমেন্টশিং শীজিন্নদুনা অকি অখং থোকহনবগী থৌদোক মমাং মতমদা থোকখিবা লৈখ্রে। মমাংদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পুং ৭২ গী মমাংদা বাইক রেল্লি চৎপদা অথিংবা থমখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মখা তানা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসরশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি কেন্দিদেটশিংদা ঈ সীনা পীরিবা গাইদ লাইনশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহন্নবা অকনবা ইন্স্ট্রক্সন পীখ্রে। থা অসিগী ২৭ তগী হৌরগা মে ২ ফাওবা ভোট থাদবগী থবক পাঙথোক্কনি।

পরমবির সিংহ মহারাষ্ট্র হোম গার্দকী চীফ ওইখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : মুম্বাই পুলিসকী হান্নগী কম্মিস্নর পরমবির সিংহ ঙসি দিরেক্টর জেনরেল ওফ মহারাষ্ট্র হোম গার্দকী থৌ পুখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ মুম্বাইদা লৈবা হোম গার্দ ওফিসতা ঙসি হান্নগী পুলিস চীফ পরমবির থুংখি। অদুবু পাউমীশিংগী মমাংদা মহাক্না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে।

অমরোমদা মুকেস অম্বানিগী য়ুম মনাক্তা পোকখায়নবা মচাকশিং য়াওবা গাড়ী অমা থল্লম্বা অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা মার্চ ১৭ তা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা মহাকপু কম্মিস্নার ফমদগী লৌথোক্লবা মতুং সেনিয়র আই পি এস ওফিসর হেমন্ত নগ্রালেবু কম্মিস্নারগী চার্জ পুহনখিবনি।

পরমবির সিংহ কম্মিস্নার ফমদগী ট্রান্সফর তৌখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেদা মহাক্না অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখনা থা খুদিংগী লুপা ক্রোর ১০০ পুলিসশিংনা খোমগৎনবা খঙহনখি। হৌজিক হৌজিক নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিগী কষ্টদিদা লৈরিবা সজিন ৱাজেদা পৈশা খোমগৎপগী থবক অসি হোম মিনিষ্টরনা শিন্নখি।

থা অমদা মুম্বাইদা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমসুং বারশিংদগী য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ৫০ দগী ৬০ ফাওবা খোমগৎনবা খঙহনখি হায়না মহাক্কী অইবা চেরোল অদুদা পল্লি।

বিল্ডিং নিংখাইরকপদগী মীওই ১ শিরে, কয়া অমনা অশোক অপন নঙহনখ্রে: পুলিস

ফিরোজবাদ, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশকী মনুং চনবা ফিরোজবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা য়ুম অমগী মথক্তা লুহোংবগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা চৎনবীগী ওইবা থৌরম অমদা মথক থংবা শরুক অদু নিংখাইরকপদগী মীওই অমা শিরে অদুগা ১২ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিস রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং কুতুবপুর খুঙ্গংদা থোকখিবনি। য়ুম অদুগী মথং থংবা শরুক্তা লুহোংবগী থৌরম অদুবু শরুক য়াবা লাকখিবা মীওই কয়া তিনখি। অদুবু খঙহৌদনা য়ুম অদুগী মথক থংবা শরুক অদু কোলাপস তৌরকখিবনি। লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু বাদসাহ এলিয়স অরবিন (৩৫) কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথখ্রে অমদি অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়রি।

মহারাষ্ট্রদা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথাৱালেনা তকশিনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট মুকেস অম্বানিগী ময়ুম মনাক্তা পোকখায়নবা মচাকশিং য়াওবা গাড়ী অমা থল্লম্বা অদুগী মতাংদা পুলিস ওফিসর অমা এন আই এনা ফাজিনখিবা অদুবু মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়রিবা সিব সেনানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুং থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল চখনবগীদমক সিব সেনানা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অদু দিজোল্ব তৌরগা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথাৱালেনা তকশিনখ্রে।

অম্বানিগী য়ুম মনাক্তা বোম থল্লম্বা অদুগা মরী লৈননা মুম্বাই পুলিসকী কম্মিস্নার পরমবির সিংহ থবক্তগী লৌথোকখি। মদুগী মতুং পরমবির সিংহনা মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখতা চার্জ তৌরকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা থিজিহন্নবসু অথাৱালেনা তকশিনখি।

সিব সেনানা লুচিংবা লৈঙাক অদুদা মহারাষ্ট্রগী মীয়াম্না থাজবা থমদ্রে। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অদু দিজোল্ব তৌরগা প্রসিদেন্ট রুল থমগনি হায়রি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা মহাক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উন্নদুনা ৱারী শারগনি অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়রি।

অমরোমদা সিব সেনাগী এম পি সজয় ৱৱটনা ফোঙদোকখিবদা কনাগুম্বা অমনা মহারাষ্ট্রদা সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংবু লান্না শীজিন্নদুনা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা হোৎনরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। অম্বানিগী ময়ুম মনাক্তা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং হাপ্পা গাড়ী অমা থল্লম্বগী মতাংদা মুম্বাই পুলিসনা কন্না থিজিনবগী থবক চথরি। মসিদা অয়েৎপা পীরিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।

লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪৩,৮৪৬ থেংনখি পুং ২৪ গী মনুংদা মহারাষ্ট্র খক্তদা ৩০,৫৩৫ থেংনখ্রে

ন্যু দেল্লী/মুম্বাই, মার্চ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪৩,৮৪৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৯৭ শিহনখি। অনৌবা কেস ৪৩,৮৪৬ কী মনুংদা মীওই ৩০,৫৩৫ দি মহারাষ্ট্র খক্তদগীনি হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মীগী মশীং ১১,৬৫২,৯৩৩ য়ৌখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ১১,১৫৪,১৭৯ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। অদুগা লায়না লায়চৎ অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিহনবা মীগী মশীংনা ১,৬০,০৪৩ য়ৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী অপূনবা কেস মশীংগী অয়াম্বদি মহারাষ্ট্র খক্তদগীনি। হৌখিবা পুং ২৪ দা লায়না লায়চৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা মীওই ৯৯ শিহনখিবগা লোয়ননা পুম্না শিখিবা মশীং ৫৩,৩৯৯ য়ৌখ্রে। অদুগা কোভিদ-১৯ না হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা শোকহনখিবা মী মশীংনা ২৪,৭৯,৬৮২ য়ৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্টিভ কেস মশীং ৩,৩৮,৭১১ লৈরি। মসিগী মনুংদা এক্টিভ কেস ২,১০,১২০ দি মহারাষ্ট্রদগী ওইরি। মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেট অসি চাদা ৮৯.৩২ ওইরি। অদুগা শিবগী চাংনা চাদা ২.১৫ নি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক মীওই ৯,৬৯,৮৬৭ হোম ক্বরেন্টিন তৌদুনা লৈরি। অদুগা ৯,৬০১ না গভর্ণমেন্টনা চলাইবা সেন্তরশিংদা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরি।

মহারাষ্ট্রদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনা ঙাইরসকী সেম্পল ১,৮৩,৫৬,২০০ টেষ্ট তৌখ্রে। মদুগী মনুংদা ১,৩৮,১৯৯ দি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তৌখিবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

লায়না লায়চৎ অসি থিংনবগীদমক মহারাষ্ট্রগী মফম খরদা লোকদাউন অমদি নাইট কর্ফিয়ু থম্বা হৌখ্রে। ষ্টেটকী মায়কৈদগী সেন্তরদা অহেনবা কোভিদ ভেক্সিন সপ্লাই তৌরক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। সেন্তরগী মায়কৈগীসু অথুবা মতমদা অৱাৎপা ভেক্সিন দোজশিং পীরগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। মহারাষ্ট্র খক্তদা নত্তনা পঞ্জাব, কেরলা, করনাটকা অমসুং গুজরাটসু কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংলি।

[illegible] / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

[illegible] / খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোংদা শাগৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, কোঙ্গোল অমদি মনাং হেক য়াওরকপগা হকচাংদা য়াম্না চোকথবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংলকপা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাংবা ঙমদবা, অমাংতোং মপাল অকোয়বদু পোপ্লি পোপ্লি তৌরগা লৈবা, অদুগী মতুংদা নোংমা খোঙ হাম্বা মতমদা শৌজ নান্থরকপা, নান্থরকপা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎখিবা, মতম খরগী মতুংদা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরগা খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎখিবা অদু মশানা হঙ্গৎলু য়ারক্তবা, খুৎনা ইনশিন্দ্রিবা ফাওবা, শা-ঙা, থাউ থাবা য়াদবা, অতেক অনৌসু চাবা য়াদবা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুকসু ফখিবা, অমুকসু তারকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/23
থাগৎচরিবা : **L. Punshi,** Athokpam Awang

[illegible] / নুংশংগী মতীক চাবা ওজাদি ABDUL HAK কবিরাজনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থরকপা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, থুপ্পা শাবা, অমাংথোঙ ময়াদা চেখাইবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, নময়াঙ নাবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, পূক নাবা, থবাক নাবা অমদি খ্বাঙ নাবগী অৱাবশিংদু ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবী : **Ch. Abemcha**
Lilong Chajing

HL-P/9095/23

[illegible] / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্তৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

[illegible] / অমাংথোং মনুংদগী মপালদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা ফম্বদসু নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোংদা চিকপা নাবা অমদি খোঙ হাম্বদসু অমাংথোংদসু নাবা, খোঙ হাম্বদা অকনবা হাল্লগা পোমথোরকপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা ফম্বদসু নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোংদা চিকপা নাবা অমদি খোঙ হাম্বদসু অমাংথোংদসু নাবা, খোঙ হাম্বদা অকনবদা হাল্লগা পোমথোরকপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, চিকপা নাবা অদু ফননবা ঈশিং অশাবা ফম্বা মতমদা ঙাইহাক্তং ফরল্লগা অমুক চিক্লকপা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোং মনুংদা খুৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোং মনুংদসু পোন্বা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদসু মরেং মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, ফন্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/23
থাগৎচরিবী : **Hegin Kangabam,** Nambol